থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পুলৱামা থৌদোক্না ঐখোয়দা করি তম্বীরম্মী?



২০১৬- জুলাই ৮, কাশ্মিরদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওইশিংগা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবা, নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা 'হিজবুল মুজাহিদ্দীন'গী কম্মান্দর 'বুরহান মুজাফর ৱানি' কৌবা চহী ২২ খক্তা ঙায়রিবা নহা অমা শিখি। হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমগী প্রিন্সিপাল (মুজাফর অহমদ ৱানি) গী মচানুপা, বুরহান ৱানি, মপানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, মহাক্কী মমান্নবা খালিদ কৌবা অমগা, নোংমা (২০১০ দা) ইন্দিয়ন আর্মিনা তমথীনা ফুবদগী লালহৌবা য়াওখিবনি। চহীদুমক্তদা, মশাগী চহী ১৫ তা ঙায়রিঙৈদা, ময়ুম থাদোকখি। মরৈবাক মরমদম ইন্দিয়াবু য়েক্লবনি খল্লকখি।

জুলাই ৮, ২০১৬ কী থৌদোক্তুনা বুরহান ৱানি কাশ্মিরগী হিরো ওইহনখি। মীহাৎতুগী মায়োক্তা পাক্না শন্না ঈরাং অমা থোক্লকখি। নুমীৎ ৫৩ চুপ্পা লেপ্তুনা কর্ফিয়ু থম্বা অহানবা লমদম ওইরকখি। থা তরুক চুপ্পা ঈরাং লেপ্পা লৈখিদে। মীওই ৯৬ কী পুন্সি মাঙখি, মীচম ১৫,০০০ সিক্যুরিটিগী মীওই ৪,০০০ অশোক অপন নংহনখি। ঈংথবা ৱারবা ঈরাংদুদা মফেগন'দা নোংমৈ মরু পান্দুনা শোকপা নহা অমা য়াওখি। মহাক অদু 'অদিল অহম্মদ দর'নি। ইচম চম্বা দুকান্দার অমগী মচানুপা। অশোকপদু ফগৎলক্লবা মতুং, নুমীৎ খরা লৈরগা মহাক ময়ুমদা হল্লকখিদে। মহাক্কী অপোকপা 'ঘুলাম হসন দর'না পুলিসতা মচা মাঙখিবগী থিবীনবা রিপোর্ট তৌরমখি। নুমীৎ কয়া, থা কয়া থিরম্বদু নোংমা 'একে ৪৭ পায়বা, ৱক্স কম্মান্দো' হায়না অনৌবা মিংথোল ফংলবা 'অদিল অহম্মদ'কী ফোটো অমা 'জাইস-এ-মোহম্মদ'কী ৱেব-সাইট'তা থেংনরকপদগী থিবা লেপখি। নুমীৎতুনা অহৌবনি অদিল কদায়দা লৈবগে, কদায়দই কদায়দা চৎপগে- উমাইবীগী মীৎনা য়েংবগুম ইন্দিয়ন আর্মি'না য়েংলকখিবা, অদিল মশামক্লসু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অসিবু 'এনিমি নম্বর ৱান' (খ্বাইদই হেন্না তমথীবা য়েক্লবা) অমগুম উরকখিবা। পাকিস্তানদা য়ুম্ফম ওইবা 'জাইস-এ-মোহম্মদ'কী ইসলামগীদমক কথোক্লবা অল্লাহগী অশেংবা লান্মীনি খঞ্জরকখি।

ফেব্রুৱারী ১৪, শগোলশেন নুমীৎ, অয়ুক য়েন্দা অঙনবা পুঙ অহুম তাবদা সী আর পি এফ'কী জৱান ২৫৪৭ জম্মুদা ছুতিগী কোয়বা চৎলুরগা শ্রীনগর তম্না হন্নবগীদমক খোঙশাল্লকখি। নুমীদাংৱাইরম নুমীৎ তাদ্রিঙৈ শ্রীনগর'দা থুংগদবনি। জৱান ময়াম অমা পুরদুনা লাকপা গাড়ী ৭৮ অদুনা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট'কী অৱন্তিপুর য়ৌরকপা, নুংথিল পুং ২.০৩ চপ চানা কনভোয় অদুগী মরক্তা বস অনীদা এটেক তৌদুনা জৱান ৪৪ হাৎখি। পুং খরখক্কী মমাঙদা নীংথিনা চেক তৌদুনা খুদোংথীবা থোক্তনবা সেনিটাইজ তৌখ্রবা লম্বীদুদা করম্না টেররিষ্টশিংনা হায়জিল্লক্তুনা এটেক অদু চংখিবনো? আর্মি ইন্টলিজেন্সপু ঙকহল্লিবা ৱাহংনি।

এটেক অদু চংখ্রবা মতুং, পুং খরগী মনুংদা 'জাইস-এ- মোহম্মদ'না ক্লেইম তৌরকখি- এটেক অদু মখোয়না চংখিবনি। ঙসি ফাওবদা কাশ্মিরদা থোকখিবা, আর্মিদা চংখরকখিবা এটেকশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা অমনি। লৌনরিবা অসি সুইসাইদ বোম্বর অমনা থোকহনবনি... ২০০১ গী মতুংদা সুইসাইদ বোম্বর অমগী মতেং লৌদুনা কাশ্মিরদা চংখরকপা এটেক হন্দক্কীসিনা অহানবনি... ২০১৮ দগী পুলৱামা'দা চংখিবা এটেক অসিগীদমক ট্রেনিং তৌরকপা চহী ২২ তা ঙাইরিবা 'অদিল অহম্মদদর'না চংখিবনি... অসিনচিংবা। এটেক অদু চংখগদবা মিনট তরামুক্কী মমাঙদা লৌখিবা 'ভিদিও'নি থাজনরিবা অসিদা অদিল'না মশাদা চাউথোকচবা অমগা লোয়ননা হায় হায়রি...'চহী অমগী মমাঙদগী ঐহাক্না খৌরাংনা ঙাইজরকপা মীকুপ অদু অল্লাহগী থৌজালদগী থুংলগদৌরে হৌজিক... ভিদিও অসি ময়ামগী মীৎমাঙদা থাদোরকপা মতম অদুদা ঐহাক্তি জন্নত (স্বর্গ) দা নুংঙাইবা অল্লাহগী মফমদা নুংঙাইরবা পাউ অমা তম্লুনবা থুংলুরগনি... ঐহাক ঙসিদি দুনিয়াদা খ্বাইদই নুংঙাইবা, অপেনবা ফংলবা মীশক অমা হায়বদু ওইরে, ঐহাক অশেংবা মুসলমান অমনি, ঐগী মিং সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি'...।

'জাইস-এ-মোহম্মদ'না থাদোরকপা ভিদিও অসি অরানবনি হায়নবা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অমনা থৌদোক অসিগী অতোপ্পা থিওরি অমসু শাগৎলি। অদুগুম্বা রিপোর্ট অদু নৌনা অমুক তমজররোই। পাউদম অসি তম্নিংলুবগী পান্দম অতোপ্পনি। কাশ্মিরিশিংদা 'ইনিদয়াদগী তোখায় তানিংব'গী ইথিল অসি য়ৌনা চেৎশিনহনখিবগী মরম করিনো? 'পাকিস্তান'না ইনশিনবনি' হায়বা ইচম চম্বা পাউখুম অসিনা পেন্নিংঙাই ওইবা পাউখুম নত্তে। ঙসিদি কাশ্মিরি ইস্যু- পোলিটিকেল প্রোব্লেম অমা নৎলক্তে, কাশ্মিরিশিংগী ইমোসনেল ইস্যু অমা ওইরবনি। ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনগী এঙ্গলদা অসুম য়েংলগা প্রোব্লেমসিগী সোল্যুসন থোরক্লোই। কাশ্মিরি ইস্যুগা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী সেপরেটিষ্ট মুভমেন্ট ইস্যু অসিগা মান্নবা কয়া লৈ। মেইনষ্ট্রিম ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙজেল অসিগা, লমদমশিং অসিদা ওইরিবা মীয়ামগী ইকোনোমি অমদি সোসল রিঅলিটি-চাংদম্ননা য়েংবদা উরিবা খেন্নবা অদুনা উৎথোকচবনি- মান্নবা মীৎয়েং য়েংলমদে। চীন্দখক লাউবা, নৎতবা, মান্নবা চাকথুং, মান্নবা খুন্নায়- লমদমসিদা ওইথোক্লরোইদবা অমনি। অরাম্বা খাঙবদা অরাম্বা কাউরে হায়নবগুম, হৌজিক্তি দিভলপমেন্ট স্কিম, ইকনমিক পেক্কেজ 'মোইথেম-ত্রিক' ওইরক্লে, লায়েংবা ৱারবা অনাবদা হিদাক থাবগা পাঞ্জক্লে। আর্মি ইন্টলিজেন্স'না হায়বনি- ২০১৩ দা কাশ্মিরি নহাশিংনা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রগা নীংতম-খোল্লাউ লাউরম্বা মীওই মরিখক্কী চাংদা ওইরম্বদু ২০১৮ দদি 'চনী'গী চাংদা ওইরক্লে। করিদগীনো? দিসতর্ব ওইরবা মফমশিংদা শান্তি পুরক্লবা লৈরিবশিংনা খন্থনিংঙাই ওইরক্লে। 'বুরহান ৱানি'বু চৈফম অমখক ফুবনা এন্টি-ইন্দিয়ন ওইহল্লকখিবা নত্তে। সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিদিও মেজেসশিংনা শাখিনি। 'বন্দে মাতরম' নোংমৈ চীন্দোন্দা লাউহল্লগা মরৈবাক নীংবা পুরক্লোই। 'থাঙফম লীশিংদা ইন্দিয়াবু ঈখেং তাহল্লু' হায়বসি, লানফম অহুমদা চাউনা মায়থীবা নংখ্রবা পাকিস্তানগী 'ইন্দিয়ন পোলিসী'নি। হ্বাত ইজ দি ইন্দিয়ন অনসর?

লৌশিং পুক্কে

# মীৎ ঙাংবা, পোমখৎলকপা নৎত্রগা শারি-শারি লাউরকপা তারবদি তরাইনা লৌরোইদবনি :এক্সপার্টশিং




নোংজুথা য়ৌশিল্লকপদা মীৎকী লৌনগনবা লায়না কয়া শন্দারকপা য়াবা মরম্না মীৎ ঙাংবা, পোমখৎলকপা নৎত্রগা শারি-শারি লাউরকপা তারবদি তরাইনা লৌরোইদবনি হায়না হেল্ঠ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি। নোংজু থা মতমদা কঞ্জংটিভাইটিস, কোর্নিয়ল অলসর নৎত্রগা ষ্টাইগী লায়চৎ হেক হেক শন্দোক্লনবা মরম্না মীৎ খজিক্তং নুংঙাইরক্তবদা ওফথালমোলোজিষ্ট অমদা য়েংথোকপা মথৌ তাই।

ওফথালমোলোজিষ্টশিংনা হায়খি, কালেনথা মতমদা নুংশাগী মৈশানা খাঙবা ঙমদবমখৈ ওল্লাংবা ফাওহল্লবা মতুংদা কুমগী নোং চুরকপদা মীপুম খুদিংমক হরাওনৈ। অদুবু নোংগী ঈশিংনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা য়াই হায়না মীওই অয়াম্বনা খঙনদে।

নোংজু থাদা তোয়না মায়োক্লবা লায়নাশিংদি কঞ্জংটিভাইটিভাইটিস, ষ্টাই, মৈবোমাইটিস, দ্রাই আয় অমসুং কোর্নিয়ল অলসর অসিনচিংবনি।

সেন্টর ফোর সাইট (সী এফ এস) কী চ্যেরমেন মনিপাল সচদেবনা হায়খি, মীৎ তাঙহনবা য়াবা মরম্না কোর্নিয়ল অলসর হায়বসি খুদোংনিংঙাই ওইবা লায়না অমনি। ভাইরেল, বেক্টেরিয়ল নৎত্রগা ফঙ্গেল ইনফেক্সননা থোকহল্লকপা কোর্নিয়ল ইনফেক্সননা মীৎ ঙাঙবা, মীৎ নাবা, মীৎতগী মহী তারকপা অমসুং উবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থহল্লকপা মরম্না কনাগুম্বা মীওই অমবু মীৎ তাঙহনবা য়াই।

নোংজু থাদা খ্বাইদগী তোয়না মায়োক্লবা মীৎকী লায়নাদি কঞ্জংটিভাইটিসনি। হায়রিবা মতম অসিদা কঞ্জংটিভাইটিসকী চাং চাদা ৩৫ দগী চাদা ৪০ ফাওবা হেনগৎলকই। মরুওইনা অঙাংশিংদা খুদোংচাদবা অসি হেক হেক মায়োক্লে। লায়না অসিগী মতাংদা মহিপাল সচদেবনা হায়খি, মীৎকী অঙৌবা অমসুং অমুবা শরুক্তা কঞ্জংটিভা কৌবা অপাবা কুয়োম অমনা কুপ্পী। হায়রিবা কুয়োম অদুদা ইনফ্লেমেসন তৌবদগী ঙাংশঙ ঙাঙশিল্লকপবু কঞ্জংটিভাইটিস কৌই। উফুল-ৱাইফুল, হীদাক-লাংথক, কোসমেটিক্স নৎত্রগা কন্টেক্ট লেন্সনা এলর্জি তৌহনবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপা য়াই।



নোংজু থা মতমদা লৌখৎকদবা মীৎকী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, খুৎ-শা, ফিরোল অমদি তোয়না শীজিন্নবা পোৎলমশিংদগী লৌনরকপা য়াবা মরম্না অতোপ্পা মীওইগা ফদি-ফিরোল অমদি অতৈ পোৎলমশিং খক পুল্লোইদবনি।

নোংজু থা মতমদা মীৎ ইকং-কংলবদি তরাইনা খক লৌরোইদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি। দিল্লিগী ওফথালমিক সর্জন রিটিকা সচদেবনা হায়খি, কম্প্যুটর অমদি স্মার্টফোন শীজিন্নবগা লোয়ননা এয়র কন্দিসনগী কা মনুংদা লৈবনা মীৎ ইকং-কংবগী খুদোংচাদবা ওইহল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মীৎ শারি-শারি লাউবগা লোয়ননা ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্তে অমসুং মীৎ নুংঙাইরক্তে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মীৎকী ওইল গ্লান্দদা ইনফেক্সন তৌবদগী মীৎপান পোমখৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মীৎ ঙাঙশিল্লকপগা লোয়ননা নাই চারকই।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি অনৌবা ভাইরস মখল অমনা মীৎকী লায়না ওইহল্লকপগী খুদম থেংনবগী মতাংদনি। মুম্বাইদা লৈবা অদিত্যা জ্যোতি আয় হোস্পিটালগী চ্যেরমেন অমসুং মেদিকেল দিরেক্টর এস নাত্রাজননা হায়খি, এদিনোভাইরস কৌবা কঞ্জংটিভাইটিস ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা থেংনবা মরম্না মপুং ফাবা ভাইরোলোজিকেল ষ্টদি অমা চংবা মথৌ তাই।

কঞ্জংটিভাইটিসকী কেস অয়াম্বা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নরগা চয়োল অমগী মনুংদা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরদি মতম শাংনা লায়েংবগী মথৌ তাবা য়াওই।

লায়না অসি মীওই অমদগী অতোপ্পা অমদা ইরায় লায়না শন্দাকপা ঙম্বা মরম্না মীপুম খুদিংমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। কনাগুম্বা অনাবা মীওইশিংনা লায়না অসি অতোপ্পদা শন্দোকখিদনবা অনোক অমা উপকদবনি অমসুং লু-নানবগী হৈনবী থমগদবনি।

লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি, মীৎতা খুৎনা খক শোক্লোইদবনি; লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং অমসুং সাপোন শীজিন্নরগা খুৎ-শা তোয়না হামদোক্কদবনি; মীৎতগী মহী তারক্লবদি লশিং মচেৎ অমনা শেংনা তৈথোক্কদবনি অমসুং মদুগী মতুংদা খুৎ হামদোক্কদবনি; মোম্পাক ফিদক, মোনখুম অমদি টাৱেলনচিংবা পুম্নমক ঈশিং অশাবদা সাপোন নোইরগা শুদোক্কদবনি; মীৎতা মেক-অপ তৌরোইদবনি; অতোপ্পা মীগা মীৎকী মেক-অপ পুল্লোইদবনি; ফদি-টাৱেল খক পুল্লোইদবনি; অনাবা মীৎ নাম্মদা হাপ্পুবা মীৎকী হীদাক (আয় দ্রোপ) অদু অতোপ্পা নাদবা নাকলদা হাপলোইদবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা খুৎ-শা শেংনা অমসুং তোয়না হামদোকপা খক কাউরোইদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৮৯ অমসুং স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৮৮গী ৱিনরশিংদা মনা লান্থোকখ্রে



লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৮৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবী নামৈরাকপম নন্দিনি



স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৮৮গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএন এস):

*হুইয়েন লানপাউ* পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চংখরক্লিবা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৮৯গী ৱিন্নর ওইখ্রবী নামৈরাকপম নন্দিনি চনু অমসুং স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৮৮গী ৱিন্নর ওইখ্রবা আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূমদা হুইয়েন লানপাউগ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ৱিন্নরগী মনাশিং খুৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৮৯গী মনা ফঙখ্রবী চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়দগী নামৈরাকপম নন্দিনিনা হায়খি, লংথবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা লম্বী থোং অসি হান্না কয়া ফত্তনা লৈরম্বা অদু হৌজিক খরদি ফীভম ফগৎলে। অদুবু মফম খরদা থবক লোইশিনবীদবা অমদি কোয়লাস থাদনা থম্বীরিবা অসি নোংজু থা লাক্ক্রিঙৈদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক পায়খৎপীয়ু। চীংঙামখা মাইবম লৈকায় এরিয়াদা কোয়লাস থাদবা লম্বী খরা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৮৮গী ৱিন্নর ওইখ্রবা নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তগী আনন্দকুমার খুঞ্জামযুমনা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল সিটিদা নোংমা নোংমগী ত্রাফিক ভোল্যুম হেনগৎলক্লিবা অসি কন্ত্রোল তৌনবা লৈঙাক্না মতমগা চুনবা পোলিসি খরা থবক ওইনা পায়খৎতুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। কৈশাম্পাৎ অমসুং ক্বাকৈথেলগী ত্রাফিক ক্রোসিং অসি মীয়াম্না ওফিস অমদি স্কুল কোলেজ কানরকপা মতমদা তৎতনা ত্রাফিক জাম থোক্তুনা লম্বী মতেক অসি লান্থোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চঙলে। জেব্রা ক্রোসিংদা লান্থোক লানশিন তৌবদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা ফুট ব্রিদজ শাবীদুনা লান্থোক লানশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসি কোকহনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

HL-B/4943/15-21 (alt.)




| NAME OF THE COURSE | DESCRIPTION | TENTATIVE BATCH START DATE | DURATION |
|---|---|---|---|
| Travel & Tourism (Tour Guide) | Overview of Tourism Industry, Tour Guiding Skills, Preparation of Travel Itinerary | First week of Mar 2019 | 3 Months |
| Communication & Soft Skills | Interview Skills/Speaking/Reading/Writing Skills/Personality Development | Last week of Feb 2019 | 2 Months |
| Make-Up Artist | Day Make-up/Bridal Make-up/Party Make-up | Last week of Feb 2019 | 2 Months |
| Diploma in Computer Application | MS Office/DBMS/Multimedia/Web-designing/e-governance/Networking | First week of Mar 2019 | 6 Months |



*For further details, please contact:*
JCRE Skill Solutions, Thangmeiband Meisnam Leikai, Opp. Thau Ground, Imphal West, Manipur
0385-2414567, 7085051125
Email: admission@jcre.ac.in
Please visit: www.jcre.co.in
JCRESkillSolutions
JCRE_Skill

**How To Apply:**
Qualification:
- Minimum Class X Passed for other courses and minimum Class XII for DCA
- Identity Proof, Aadhaar Card
- 2 Passport Size photos

**Features:**
- Free Counseling
- Free Trial Class
- Audio Visual enabled classrooms
- Well Equipped Lab
- Industrial Visits
- Job Placement Assistance

## সোলান্দা চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) :

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৮দগী হৌখিবা জন্যুৱারী ৮ ফাওবা থা ৩গী চেঙ্গুম থাবা অমসুং চেঙ্গুম মরূ শেম্বগী ত্রেনিং লোইরবা মতুংদা মখা তানা তমথনবা মণিপুরদগী নুপী অনীগা নুপা অহুমগা পূন্না মীওই ৫ হিমাচল প্রদেশতা লৈবা দিরেক্টরেট ওফ মসরুম রিছার্স সেন্তর সোলান্দা ত্রেনিং চৎখ্রে।

ত্রেনিং অসি য়ুনিভর্সেল মসরুম ক্লব থাংমৈবন্দনা লমজিং লমতাক্তুনা জুনিয়র এম সী এস নিঙোম্বম রবিন্দ্রনা থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা ক্লব অসিগী ওফিসতগী লমথাখিবনি। য়ুনিভর্সেল মসরুম ক্লবনা চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং পীদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনসু মখা তাবা ত্রেনিংদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না য়ুনিভর্সেল মসরুম ক্লবকী চেরোল অমনা হায়রি।



A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
GREEN MANIPUR CAMPAIGN With E-VEHICLES
Be the Part of Change

0% Downpayment
দা E-Rickshaw গী মপু ওইবীবা য়ারগনী, অকক্লবা মতম খরাখক্তগীনী, ঙশিমক তানবীয়ু।

লেংশিনবীরকশিঃ
RADIANT E-RIDE
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
Contact no.: 9366288858
BRANCH OFFICE
THOUBAL ATHOKPAM
Contact no.: 7005355592
Terms & Conditions Apply
HL-B/5147/25/1-25/2

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০২।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা, ফাইরেলগী ১৪ নি পাল্লি

**মেষ:** হনবা লৈতনা হোৎনবনা মীকোক থোংবা, মরুপ মপাং ফংবা অমদি লৈবাক্কী থৌদা পাংবদা মাই পাকচবা লৈগনি। খোইরাং খোইশাওনবা লৈগনি অদুবু ফাথবনা ওইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মলোম লৈনবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ:** ৱাঙাং হৈত্রদি ইকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক থোক্কনি। লাইবক ফবদি লৈ অমদি ৱাখল থাদরগা পাঙবা থবক শোইদনা মাই পাক্কনি। ফিংবা অমদি অশাওবনা শেল হেন্না তিংহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন:** হৈনা শিংনা চৎপা ফগনি। মীৱা লৌবনা নরল মাংগনি, য়েৎনবা মরমদা পুক্লিং নুংশিবা নংগনি। য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিদৌ শরুক থবক য়েথোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপকী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

**কর্কট:** হরাওবা নুংঙাইবা লাইবক ফবা অমদি শেল থুমগী থবক্তা চাওনা শেন্দোং ফংজবা নুমিৎনি। অফবা থবক্তা খুৎচাউ থাহৌরো। মরুপ মপাংনা য়াম্না চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ:** মরুপ মপাং লোইনবা মাই পাক্কনি, থৌনা লৈবা অমদি নথক থোংবগী ৱা লৌবনা শোইদনা কান্নবা ফংগনি। অরং-অরাক্লচিংবা লেপশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্য:** লাইবক য়াম্না ফবা, শেল-থুমগী থবক্তা নিংবা মপা চাবা অমদি লৌশিং থাদবদা থোইনা ওইজবা ফংগদবা নুমিৎনি। পোরম য়াৎপদি মী তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা:** থবক্কী লমদা কোক থাদবা মহৈ য়ানগনি, হৈ-শিংবনা লেংদবা লনথুম লেপশিনবগী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি মীরক চংলগা হেন্না নুংঙাইবা লৈগনি। মীতোপতি থাজরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরি য়াম্না ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক:** চাদিং হন্থগনি, মীয়ামগা লোইনবা থবক্তা ইকাই খুম্নবা ফংজগনি, ইমুং-মনুং লোইননা পাংবা থবকশিং লেম্নমক মাই পাক্কনি। নোল্লুকপনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীপাইবা পোক্কনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** খাংবা কনবা, থিজিনবা কনবা অমদি অশাওবা ফাথবনা মাই পাকপা ওইগনি। অরুবা থবক্কীদি লৌশিং চাওবা মীগী মতেং লৌদনদি পাংদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিংগী ৱা ফোংদোক্তবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর:** নিংজবা থুংগনি, মাই পাকপা অমদি অনৌবা থৌরমদনা হেন্না কান্নবা নুমিৎনি। শাগৈ চাওখৎকনি, অনৌবা লৌশিং য়াম্না ফংগনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্ভ:** লাইবক ফৈ, ললোন ইতিক্কী থবক্তা য়াম্না কান্নবা লৈগনি অমদি নুংশিবা মরুপ মপাং ফংগনি। অদুবু নোল্লুক্না চৎত্রদি কোক শাবা খরা লোইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মীন:** ইচং থৌবনা কাইনবা নংগনি, হেন্না অশা তৌরুরগা থবক শিংৎপা ওইনা থোক্কনি অমদি চরাংনবা য়াদে। নক্লবনদি তেংবাংবি, তপ্থবনা মিংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।